# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৮৬

ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম




*ঐখোয়গী* মণিপুর অসি হৌজিক কনানা লৈঙাক্লি হায়বসি মীয়ামগী থম্মোয়দা মপান থোক্তনা হংনরিবা চাউরবা ৱাহং অমনি। ৱাহংদি লৈরে অদুবু মসিগী চপ চাবা পাউখুম কনানা পীবিগনি। মণিপুর ষ্টেট অসিগী মপূ অমদি লৈরি। মপূনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগীদমক থবক ফজনা পায়খৎপীরিব্রা? ৱাহং অসিমসু তরাইনা খুমদোকপা য়াররোই। হৌজিক্কী মতমসি খঙনা খঙনা, উনা উনা থম্মোয়গী অশেংবা পাউখুম মতিক চানা অমত্তা পীনদ্রিবা করিগীনো? মতাংসিদা মীয়াম্না করি করি খন্নরি। সেন্তরদা বি জে পিনা লৈঙাক্লি। মসিসু মরৌ লৈবা লৈঙাক নত্তে করম্না হায়রুগনি। মণিপুর ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেসকী ও ইবোবীগী মখাদা লৈঙাক চখ্থরি। বি জে পিগী ওইনসু মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরি। কয়াদা ফজখ্রবা ৱারক্কী তয়ালনো।

মসিগী মখা চথ্থরকপদা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী মুক্লবগী মরক্তা মীচম মীয়াম খুদিংমক ৱাবগী মতোন লোমনদবা নত্তে। মসি ফাওবদি মীয়ামসু খাঙবা য়াবা খাঙনরি। অসুম্না কয়াম কুইনা খাঙবা ঙমখিদৌরি। মণিপুরগী কোংগ্রেস লৈঙাক অমদি সেন্তরগী বি জে পিগী লৈঙাক অনী অসিনা থা অহুম হেন্না চথ্থরকপা ইকনমিক ব্লোকেদকী ৱারোইশিন হৌজিক ফাওবা পুরকপা ঙমদনা লৈরি। হৌজিক্কী মতমসিদা শিবা কিদবা, ইকায় খঙদবা অনী পূন্না লাক্লবসিদা কোংগ্রেস অমদি বি জে পি অনীনা অমনা অমদা কন্না ইনশিন্নরি। মোদিগী বি জে পি লৈঙাক্কী মশক নাইবশিং মণিপুরদা লেপ্তুনা লাক্লি। মসিসু তরাইবা নত্তে। লৈবাক অসিদা শিবা কিদবা মীওই কয়া চোঙথোক্লরকপা মশানা তাবনি। লৈবাক অসি আইন লৈত্রবরা? ঐখোয়গী আইন অসিবু শক্তি পায়বশিংনা পূন্নমক পায়শিনখ্রবরা? দেমোক্রেসিগী নুং-পানগী ফজরবা মশক ঙম্নমক কদাইদা থম্বীখ্রবগে? মী খুজোক খরগী নুঙাইনবা, লৈবাক ৱাথোক ওইরিবসিবু থিংবীনবা ঐখোয়গী আইন লৈত্রবরা? ৱাহং অসি ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়রিবশিং ষ্টেটকী মকোক থোংবশিং আইন খঙনা খঙনা অচুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপীদবসিবু করম্বা নুংগী করম্বা পাউখোংনো? মতাংসিদা ষ্টেট ফোর্স, সেন্ট্রেল ফোর্স থম্বগী ৱাহম্থোক করিনো? সেন্তরনা ষ্টেটতা থংজিল্লি, ষ্টেটনা সেন্তরদা ইনশিল্লি, ষ্টেটনা ঙমদ্রগা মীয়াম শিনবীরো, সেন্তরনা লোইশিনবা ঙমদ্রবসু মণিপুর মীয়ামদা লানথোকপীরো, মীচম মীয়ামবু খাঙ মথক্তা থাঙ্গৎতুনা ঙৌরিবসি কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈবগী পনখে ৱাংমা লাকখ্রবদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরকপসু য়াই। মণিপুরগী মীচম মীয়ামসু থম্মোয় পাল্লি। লাইরিক লাইশু খঙ-হৈরবা কয়াসু মশীং খঙদনা লৈরি। থা ৩ হেন্না চথ্থরক্লিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিবু করিসু লাকশিনবা ঙমদবা হায়বসিবু হৌনরিব্রা। মতম অমদা নুমিৎ তাবা নাইদ্রবা বৃটিশকী লান্মীগা মায়োক্লখিবা মীতৈ ইপা ইপুশিংদুগী চারোল শুরোল ঙাক্তনি। মসিমক নীংশিংবা মতম ওইরে। মসিগী মথক্তা ঙসিদগী চহী ৩০ গী মথক্তা ঈরাং কয়া লেপ্তুনা থোরক্লিবা থৌনা লিংজেল কল্ল-কল্লবা ইপা ইপুগী চারোল শুরোল কয়াসু লেঙদনা লৈরমগনি। জুন ১৮ গী থৌদোক, ২১ শুবা চহী চাগী ঈহৌ নীংশিংবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা লৈবাক থুগাইবগী, ফুরুপ-ইফুরুপকী মরক্তা নুংশিনদনবগী ঈরাং শাগৎলিবা এন এস সী এনগী তোঙান তাবগী ৱাখল্লোন ইন্দিয়া লৈঙাক্না ময়েক শেংনা খঙবীরবনি। এন এস সী এনগী শাংলবা চহী কয়াগী ৱাথোক্তা শান্তিগী ৱারীগী নামাদা মণিপুরী মীয়ামগী পুন্সিদা মীহাৎ মীপুন কয়া নংহল্লিবা পূন্নমক ষ্টেট লৈঙাক্তা নত্তনা সেন্তরনা খঙনা খঙনা, উনা উনা য়েংদুনা চহী কয়া অমুক খাঙহনখিগদৌরি। মণিপুর লৈঙাক্না দিষ্ট্রিক্ট লাউথোকপা য়ারোই হায়বগী মায়োক্তা চথ্থরকখিবা ইকনমিক ব্লোকেদনি অদুবু তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদি লোয়না লাউথোকপা লোইরবা ফাওবদা অসুম ব্লোকেদ চথ্খিগদৌরিব্রা হায়বসিসু মীচম মীয়ামগী ৱাহংনি। মতাংসি য়ৌরবা ফাওবদা অসুম পন্থদুনা লৈবগী মহুত্তা চপ চাবা পাড়া তন্বীফম থোক্ত্রিব্রা? মীয়ামগী থম্মোয়দা মপান থোক্তনা ফাওনরক্লিবা ৱাখল চম্না, তরাইনা সেন্তরনা খন্দোকপা য়ারোই। মসিগী মতাংদা এন এস সী এন (আই-এম) গী অফোঙবা এজেন্ট ওইরিবা য়ু এন সী ঙসিদি ময়েক শেংনা নুং-পান খঙনরক্লে। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী মনুংদা কারোং ফাওবা লাক্লম্বা রেল লম্বী করিগী ইম্ফাল জিরি লম্বীদা হোংলকখিবা নুং-পান ফাওনা নৈনমিন্নবগী মতাং ওইদ্রিব্রা? ইম্ফালা দিমাপুর লম্বীগী মনুংদা কাংপোকপীদগী দিমাপুর ফাওবদা য়ু এন সীনা চথ্থরক্লিবা নুং-পানগী পোলিসি ষ্টেট লৈঙাক্না খঙশিন্দবা য়ারোই। কাংপোকপীগী মথক্তগী ঙসি ফাওবা পোৎ চৈ, থাউনচিংবা ফংবা-ফংদবা লৈতে। থাউগী খুদোংথিবা মায়োক্লদ্রিবা অসিগী ৱাহম্থোক করিনো? মখোয়না থাউ পুথোরকপ্রা? নাগালেন্দগী লৌরগা মনিং তম্না মতম মতমগী করবার তৌরি। ইম্ফালগী মীয়ামসু সেনাপতিদগী থাউ লৌরগা লল্লোনরি। মসিসু য়ু এন সীগী ফত্ত লৌশিংনি। মসিগী মথক্তা মতম মতমগী লৈঙাক্লা বি ও সি খরদা পীথরকপা থাউ মপানথোংদা মীচম মীয়ামদা য়েন্থোকপা শারগা হুরান লানাদা শান্নরিবশিং করিগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা খঙশিন্নদবনো? মণিপুরগী লম্বী সরক্তা য়োল্লিবা থাউ কদাইদগীনো? অসিগুম্বা মণিপুরগী লৈঙাক অসি মালেমগী মফম অমত্তদা চৎনরল্লোই। ইন্দিয়া লৈঙাক, ষ্টেটকী লৈঙাক মসিগী মথক্তা এন এস সী এন (আই-এম) গী ফত্ত লৌশিংনা য়ু এন সীদা অফোঙবা ওইনা চথ্হল্লক্লিবা থৌশিল ঙসিদি মীয়াম্না ফজনা ৱাখল তানা খঙনরে। মতাংসিদা সেন্তরগী নুং-পানগী অরোনবা থবক ষ্টেট লৈঙাক্কী নুং-পানগী পোলিসিদা ষ্টেট অমসুং সেন্তর অনীনা মুক্লদুনা লৈরিঙৈদা এন এস সী এনগী ফত্ত লৌশিংদা মতোন ওইনদৌরি।

মতাংসিদা সেন্তরনা শরৌ লাং থাক্লগা নমদুনা ষ্টেটনা লৈঙাকপা ঙমদ্রবদি পি আর ওইনা থম্নবগী লাং থাক্লিব্রা হায়বসি নৈননীংঙাই ওইদবা নত্তে। য়ু এন সীনা চথ্থরক্লিবা পোলিসি অসি অমত্তা লেম্না মাঙবা য়ারোই। এন এস সী এনগী লৈবাক থুগাইনবা ঈহৌদা কায়রক্লিবা মণিপুরগী চিংমী ইচিন ইনাওশিংগী হক লোয়না লোয়ননা চীং তম অনীগী মরক্তা নুংশিনদনবগী মরু হুনবা অমত্তা তরাইবা ৱাফম নত্তে। মবুক ফত্তবা মশা-মশাগী ওইজনবা খনবদগী চীংমী তম্মী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তাহনবদগী ষ্টেট লৈঙাক্না খঙলক্তুনা শেমদোকখিবা কয়া মমাঙগী পুৱারী লৈতবা নত্তে। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদগী ইম্ফাল জিরি লম্বীরোমদা রেল লম্বী থৈরকখিবা পুৱারীগী অচৌবা পাড়ানি। ইম্ফালদগী মাও ফাওবগী চীংমী ইচিল ইনাওশিংনা চহী ৫/১০ গী তুংদা অৱা চৈথেং ফংলকপা য়ানা লৈরি। মরম অদুনা এন এস সী এনগী অফোঙবা য়ু এন সীনা পায়খৎলক্লিবা পুকচেল পীকপা ৱাখল ঐখোয় নাগানি হায়বা নাগাশিংগী অপূনবা শক্তম শাগৎনবা নমদুনা নাগা ওলহনবা মীয়াম্না ফোঙনা খঙনরে। মসিমক অচুম্বা খোঙথাং অমরা? ঈশিংনা ঈশিং, কংফালনা কংফাল, চীংনা চীং, তম্না তম অসুম থল্লগা থম্মোয় শেংনা অপূনবা শক্তম শেমগৎপা তুংগী মীরোলনা মশক থোকপা ওইগনি। ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা খুদোংথিবা মায়োক্লখিবশিংনা চীংমী তম্মী ইচিল ইনাও, শাগৈ নাতৈ, মরী মতাশিংনা এন এস সী এনবু করিনি হায়না খল্লমগনি। মসি ঙম্নমক নাগা ফুরুপ পূন্নমক্লা চনিং চানা খন্থবা মতম ওইরে।

ঙসিদি নৌনা অমুক ইম্ফাল জিরি লম্বীদা এন এস সী এনগী পোলিসিদা ঈরাং শাগৎলকপা অফবা নত্তে। কনা কনাগুম্বনা কন্না হোৎনদুনসু রেল লম্বী থৈদোকপা ওইথোক্লরোই। ইম্ফাল জিরি লম্বীদা রেল লম্বী লাক্লবা মতমদা কনানা করিবু তৌবা ঙমগনি। মতমগী মতুং ইন্না হোংলক্কদবশিং লাইরিক লাইশু মতিক চানা খঙলবশিংনা তুংগীদমক নৈনমিন্নবা মতম ওইরে। মতমনা শোয়দনা পুরক্কনি অহোংবা কয়া অদুম ওইনমক চীংমী তম্মী খাইদোকপা য়াররোই, চীংমী চনু কয়া তম্মীগী য়ূমদা লৈররে, তম্মী চনু কয়া চীংমীশিং মরক্তা চারোল শুরোল য়ারক্লবা অপূনবা মালেমগী অপূনবা শক্তম লাক্লবা মতমসিদা। নাগা কুকি, মীতৈ পাঙল খাইদোক্লন্দুনা অপীকপা ৱাখলগী অপীকপা থম্মোয় থাদোক্লদুনা অপূনবা মণিপুর, অপূনবা শক্তম অমগী তাইবঙ শেল্লসি। ঙসি লৈঙাক পায়রম্বা হয়েং মীচম ওল্লক্কনি। থম্মোয় শেংবা অচুম্বগীদমক কখোক্লদুনা ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নসি। সেন্তরসু ষ্টেটসু মীয়ামগী খন্থবীয়ু, অপূনবগী জয় অপূনবগী পাঙ্গল কনানসু মাঙহনবা য়াররোই। ঐখোয় পূল্লসি অপূনবগী পাঙ্গলতনা পূন্নমক জয় তৌমিন্নরসি।

---

# কুমজা ২০১৫ গী এসেমব্লিদা য়ু য়োনবগী বিল নীংশিংলকপদা

অয়াম ওংবী ইমা, খুরাই

*হৌখিবা* ৱাসু নীংশিংউ, তুংদা লাক্কদবসু খল্লু হৌজিক্কীসু খল্লু হায়বা ৱাহৈ অসি অহলশিংনা তাকপীবনি। নোংমা কুমজা ২০১৫ গী জুন ৩০ দা এসেমব্লিদা য়ু য়োনবগী অথিংবা লৌথোক্লগা য়ু য়োলহল্লসি, লৈঙাক্তা ইনকম য়াম্না কারক্লবা হায়বা ৱাফম অমা পুখৎলকখি। লৈবাক্কী মপি মপা অমা ওইবিরগা অদুক ফৎখিদ্রবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক অদুবু য়োন্নবা হায়রকপদা ইমাগী থম্মোয়দা নুংঙাইখিদে। অদুগা অমরোমদা অমুক হায়রিবা জুন ৩০ অদুমক্তদা লৈঙাক্লা লাইসেন্স নোংমৈ অমত্তসু নত্তনা অনী পীশিন্দুনা মপা মচা হাৎনখিবা থৌদোক্তা শীজিন্নখিবা নোংমৈদু লৈবাকসিগী করম্বা অচৌ অশাংশিং, লৈবাক্কী করম্বা থৌপুবা অঙম অথৌশিংদা পীবা নোংমৈনো হায়না ইমানা খনখি অদুগা ওন্না তৈনবদা ফত্তবা য়ু য়োনবদা পীরম্বা ওইরমখি। ইমানা পাউচে পারুবদা করম্বা লৈঙাকনো হায়বা ইমাগী মিত্তগী পি তাখিবা খঙহৌদে।

জুলাই ৭ তা এসেমব্লিদা এক্সাইজগী দিমান্দ খন্নবদা মণিপুরদা য়ু ওইগেরা, ফোরেন লিকর ওইগেরা অনীমক য়োহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি। য়ু য়োনবদগী লাকপা ইনকম অদুনা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগী ফুরিৎখাও চোন্নব্রা! সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি, লৈবাক্কী মপি-মপা ওইবনা অদুক ফৎখিদ্রবা ৱাখল খল্লুবদগী মহৌশা ইমা লাইরেম্বীনা চৈরাক পীখিবদু নীংশিংলকই। ফত্তবা থবক তৌনবা খন্নরুবনা নোং চুনা ঈশিং চাওখিবা, মমাঙগী চহী চহীদা চুখিবা নোংগা থিনা খেন্নখিবনা চীং নিংখাইখিবা, লম্বী ফাওনখিদবা, থোং চেন্থখিবা, দাম চেন্থখিবা অসুক য়াম্বসি অমুক্তা থোকখিদ্রি।

মরক্তুদা আই এল পিগী খোঙজংসু য়াওশিনখি, খোঙজং অদুদি ঐখোয় খুদিংমক্কীনি অশেংবা অচুম্বা পুবিরকউ, অচুম্বনা জয় ওইবনি। ইমাগী মফমদা অচুম্বতা তৌবিয়ু। অচুম্বা পাম্বা ইমানি অদুগা অমুকসু খঙহৌদনা অকনবা য়ুহার হাদুনা কয়াদা অৱাবা তাখিবা। মণিপুর সনা লৈবাক লাইগী লৈবাক লাইরৈবাকনি হায়না তাকপীরি। মণিপুর ইমাগী তম্পাক্তগী য়ু য়োনবদগী ইনকম লাকপগী ৱাখল য়াম্না থুনা থাদোকপীয়ু ইমাগী মফমদগী। অচম্বা পোখোক্তগী ইনকম লাক্লবা খনবিয়ু। ময়াই কাবা পোৎলম খুদিংমক থিংবিয়ু। মণিপুর ইমাবু ইংনা চিক্লা শান্তি ওইনা থম্বীয়ু।

মণিপুরদা মতম অমদা গঙ্গা য়াম্না হৌরম্মী। লৌবুক লম্মাং, ইঙ্খোল অয়াম্বা। হৌজিক্তি থিংখিবদগী অমত্তা উবা ফংখিদ্রে। ময়াই কাবা পোৎলম খুদিংমক অসুম্না থিংবিয়ু। গঙ্গা থকপা মীদি মী অমত্তা হাৎতে, মোন্দ্রং চুদুনা আশাদং চাউরগা থবক্তি শুদনা ফমদুনা লৈ হায়নৈ। অদুবু মীওই পোক্তা পোক্লবদি মোন্দ্রংসু চুহন্নীংদে, থিংবিখিবদু য়াম্না ফরবনি। য়ু য়োনবা, য়ু থকপা মীদি মীনুংশি খঙদে। নোংমা ইমানা পোৎ য়োল্লিঙৈদা ট্রাইবেল নুপা অমা ইমাগী মাংদা পোৎ লৈগদবগী ফমথরকখি। মানা ফল্লিঙৈ অদুদা মীতৈ নুপা য়ু ঙাওবা অমা হাই-হাইদুনা লাকখি। অদু উবদা ট্রাইবেল নুপা অদুনা হায়রকখি, য়ুসিদি নখোয় মীতৈনা লোইনা থকখ্রে। ঐখোয় ট্রাইবেলশিংদি থকত্রে হায়না। ট্রাইবেল অদুগী ৱাদু তাবদা ইমানা খুমসিরা হায়না খনখি। অদুবু ইমানা খুম্বা নংদ্রিঙৈদা মহাক্না খুদক্তা মখা অমুক তারকখি অসুম্না ঐখোয় ট্রাইবেলদসু অপংবা খরদি অদুমক থকই, অশিংবদি থক্ত্রে হায়রকখি। ইমানসু ঐখোয় মীতৈদসু খরদনিদা অয়াম্বনা থক্তেদা হায়না ইমাগা ৱারী শানখি। ট্রাইবেলদু কদাইদগীনো, কনানো হায়বসু খঙদে, হংবসু হংখিদে। চুম্না পোৎ লৈজখিবনি। য়ু ঙাওবদু উবদা মহাক নুংঙাইতদুনা হায়জরিবনি হায়না খনখি ইমানা।

চীংমী তম্মী ইচাশিং ইমানা ঙসি লীরিবা ৱারীসি অশেংবগী ৱারীনি। চীংমী তম্মী ইচাশিং নুপী ওইবীশিংসু, নুপা ওইবশিংসু হৌজিক্কী মতমদা অপংবা হায়বদু লৈত্রবনি হীদাক মনাগী পোখোকপু ওইগেরা, য়ুবু ওইগেরা, দ্রগপু ওইগেরা ফত্তে হায়রিবা চিঙ্গাক খুদিংমক চাদ-থক্তবা ঙম্বগী থৌনা অদু হাপ্লসনু ট্রাইবেল অদুগী ৱাহৈদু ইকায়নীংঙাই ওইদ্রা। কনানো হায়বসু খঙখিদে। মতমদুদা শেন্বীবা মপুনা ট্রাইবেলদুসু, য়ু ঙাওবদুসু ইমাগী নাক্তবু থাবিরকখিব্রা? ট্রাইবেল অদুসু নুংঙাইতনা য়েংলগা চৎখি ইমাসু নুংঙাইতনা লৈহৌখি। চীংমী তম্মী ইচাশিং, অয়োনবসু থক-চারিবশিংসু থাদোকউ, লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংনসু থিংবিদুনা মণিপুর ইমাগী তম্পাক্তগী মরু ফংনা মুখৎপীয়ু। নখোয়গী নচা নশুশিংসু থক চারোই খনব্রা। নোংমদি শোয়দনা থক চারক্কনি। লৈরিবা পোৎতু মহাও য়েংনিংলক্কনি। মদুদগী হৈনবী ওইখিবদা নখোয় করি ওইগনি।

ময়াই কাবা পোৎ খুদিংমক য়োনগনু, থাদোকউ। ভোটসু কুইদ্রেদো। মীচং শঙ্গন নাইদনা ঈংনা তপ্পা শান্তি ওইনা অপাম্বদা পীশিদো। অনী চাংদম্নরবদি অমনা হেনফম থোকপনি। হেল্লক্লিবশিংসু ঐনা মহেল্লে খনবিগনু। পিবা ফম্বু নত্তেদো। পোক্লফম ইমা নুংশিবী লাইগী লৈবাক লাইরৈবাক ইমাগী সেবাদা অচান মীরাই নাইদনা থম্মোয় শেংনা থৌগল তৌবিরবদি ইমানা পিবা ফম্বু পীবিরকপসু ময়াইদো। মীওইবা অমা ওইনা পোক্লবদি অফবা মিংচৎ উরোং খিনবিয়ু। ইমাগীদমক পোকঙমদনা পোকপা মীওইপোকনি হায়না তাকপীরি অহলশিংনা, ব্রাহ্মনা মপোক ৭ তোপ তৌদুনা মীওইপোক্তা অমুক্তা পোকচগে হায়বদা পোকখিদে হায়না অহল লমন, লাই-গুরুশিংনা ৱারীবু লীবিদো। শেন্বীবা মপুনা মীওইপোকপু অসুক ফজনা থম্বীরগা নশানা নশাবু করিগী মাঙহনগদৌরিবনো? নশাগী অত্মাবু নুংশিয়ু, ইমাগী অত্মাবু নুংশিবা ঙল্লবদি অতোপ্পগী অত্মাবুসু নুংশিবা ঙমগনি। মীওইবা কনাসু শিনীংবা য়াওদবনি। মীনা মীবু অৱাবা পীগনু। য়ু এন সীগী ব্লোকেদ অসিসু হন্দোকউ, ইমাগী তম্পাক্তগী তোঙান্না চৎকে খনগনু। তোঙান চৎলবদি অফবা ওইদবনি। চীং তম ইমা অমত্তগী মচানি। অমুক হন্না তৌগে খনগনু। লাইরৈপাক মণিপুর ইমাগী শাইগোন্দা মহৌশাগী ইমানা পীবিবা হাওরবা অচম্বা চিঙ্গাকপু চাদুনা ঐখোয় নুংশি চান্নরা হিংমিন্নসি। ইমাদি লাইরিক ইবা মীসু নত্তেদো, ইগে হায়না খনখিবসু লৈতেদো। অমুক্তসু ইখিদ্রি অদুবু ঙসি চরাংনরিবা অসিগা য়ু থকপগী, য়ু য়োনবগী তারু উরুরগা ইমাগী থম্মোয়না পেন্দবা কয়াদগী হায়নি-হায়রোই খঙদনা ইখিবনিদো। ইমানা ইংনা তপ্পা লৈনীংই। ঐখোয় অফবদা খোঙ থাংজিন্দুনা অফ-ফত্ত খন্নদুনা ইংনা তপ্পা নুংশি চান্নরা ইমা অমত্তগী মচানি খন্দুনা হিংমিন্নসি ঐখোয়।

হিংমিন্নসি ঐখোয় নুংশি চান্নরা।

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হৌজিক্তি মীচম মীয়ামসু ৱাখল তানরসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মণিপুরদা* মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরশিং খন্নবা মতম কুইরক্ত্রে হায়বসি লাইরিক লাইশু কয়া হৈজদ্রবা পংলবা মীচম মীয়াম ফাওবা খঙনরবনি। ফীভম অসিদা মশা মশাগী লৈকায়গী নৎত্রগা মশা মশাগী ওইজনামগী খন্নদুনা মীওই কয়ানা মাগী মাগী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ নৎত্রগা মিনিষ্টর ওইরিবা কয়াগী ক্বার্টরদা অমসুং অতৈ পার্টি কয়াগী কেন্দিদেট ওইগদবা কয়াগী ময়ূমদা তৎতনা তিন্নরক্লি। মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি পার্টি কয়াগী কেন্দিদেট কয়ানা মাগী মাগী এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিগী চাওখৎ খোঙথাংদা নত্তনা মণিপুর লৈবাক্কী মরুওইবা হীরম কয়াদা চাওখৎনবা নৎত্রগা মাগী মাগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ফিরেপকী মেনিফেষ্টো ফাওবা মীয়ামদা খঙহন্নরি।

মতম অসিদা মীওই কয়ানা মাগী অদু তৌবিয়ু, অদা তৌবিয়ু, মাগী শোরাৎকী, অষ্ঠিগী, কর্ম্ম কয়াগীদা লেংবিরক্লবা হায়জদুনা মতেং খরদা ওইরবসু ফংহৌনবা হোৎনদবসু নত্তে। মাগী মাগী অপাম্বা কয়া, অৱা অনা কয়াগী মতাংদা তেংবাঙবিনবা হায়জবসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু অমরোমদা এম এল এ লেপ্লিবা নুপা অমনা মাগী কনষ্টিট্যুএন্সি অদুগী মীওই পূন্নমক্কী অপাম্বা অনিংবা পূন্না থুংহন্দুনা মানা মখোয়বু পেলহনবীবগী শক্তিদি শেন্বীবা মপূ ফাওবনা ঙম্বগী থৌনা লৈরোই। অদুবু মীওই কয়ানা মশাগী ওইজবা খরা মতম অদুদা ফংহৌনবা অমদি গ্রুপ কয়ানা লম্বী শেম্বীহৌনবা, পুখ্রি তৌনবা অমদি তৌহনবা য়াবা কয়া তৌননবা অমদি কেন্দিদেট ওইরিবা মীশক অদুনসু অঙম্বা থাক্তা মীয়ামগী পেন্নবদি য়াবমখৈ হোৎনজবনি। মরমদি মীয়াম্না মহাকপু নুংশিবিরবদি মহাক্না শোয়দনা মায় পাক্কদৌরিবনি। অসুক কন্না হোৎনরিবদুদা মাগীদি য়েংবিদে, মখোয়গীদি য়েংবিদে হায়দুনা মায় ওনখিগদবা কয়াদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা পূন্নমকপু থম্মোয় নাহন্দনবা হোৎনবদা মাসু ৱাববা চৈনা খাঙদবা নত্তে। মাবু তশেংনা নুংশিরিবদি মহাক্না এ সী অদুগী এম এল এ তশেংনা ওইহন্নীংলবদি কেন্দিদেট অদুগী ৱাববা তাঞ্জা অদুদা ময়াম্না অঙম অঙম্বা মতেং পাঙবিদুনা মাগী পূক্নিং থৌগৎপীবা খরা য়াওবিবসু তশেংনমক্কীদি ময়াবনি। মদুদি নত্তনা ভোটকী তাঞ্জা অসি লৌরগা লৌহৌবা, তৌহনবা য়াবা থবক কয়া নমশিল্লবদি ভোট অদুদা চংখ্রিবা পৈশাশিং অদুগী হিসাব মহাক্না ভোট কারবা মতমদা চঙখ্রিবা শেলফমশিং অদু শোয়দনা খন্দবা য়ারক্লোই। নঙনা, ঐনা মাগীদমক্তা নুংশিনা সেক্রিফাইস তৌদুনা কৎথোক্লবা কয়া অমা য়াওবিরক্লবদি হয়েং মানা ভোট কারক্লবা মতম অদুদা থবক অমগী নৎত্রগা অমগী নঙনা করিগুম্বা অমা হায়জরুবদা তৌবিয়ু, মতেং পাঙবিয়ু নৎত্রগা লম্বীদু শেম্বীয়ু, লৌমী শিন্মীগী কান্নবা মওংগী থৌদাং লৌবিয়ু অসিনচিংবা খুন্নাইগী চাওখৎ মায়কৈদা কা হেন্না মথৌ তাবশিংদুগী মহাক্না শোয়দনা মায়োং য়ারগদবনি।

পূন্নমক অসি খঙনা খঙনা ঙসিসু ভোট কারবসু শুম শুমদুনা মঙোন্দা য়েৎতুনা তাঞ্জা লৌনরবদি নঙনা ঐখোয়গী মন্ত্রিনি হায়দুনা ভোট কাখ্রগা চঙলক্লবসু নঙনা চৎখ্রিবা লিচৎ অদুনা নঙবু মহাক্না কয়াম্নদি পূক্নিং লুপ্পা লুনা চান্না তৌবিগনি অমদি করি কা হেনবা খুদোংচাবা পীনিংগনি। কেন্দিদেট পূন্নমকসু বেঙ্কুম্না পৈশা লৈবা নৎতে। মখোয়দি শুংৱাৎ ৱাৎলল্লোই খনবদি ফৎতে। বেঙ্ক ফাওবা পৈশা মরাং কায়না লৈতবা মতম য়াওরিবনি। মসিগী মথক্তা হৌজিক্তি ভোটতা চাদিং তৌবগী হিসাব লুপা লাক্ষ ২০ দগী হেনবা য়ারোই হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অথিংবা পীরিবনি। নঙগী নঙগী অপাম্বদু তৌদবা য়াদবনা নৎত্রগা ৱারৌখিদনবা হোৎনবদা পীদবা য়াদে, তৌদবা য়াব্রানে হায়দুনা মতৌখ্রবসু মদুদা মাগী থম্মোয়দুনা মখা চিক্লা খাঙলিবদুসু খনফম খরদি থোকপনি খঞ্জে।

তশেংনমক মীয়াম্না মহাক্তি মতিক চাবা মীনি, মহাক্না কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী মীহুৎ ওইখ্রবদি অফবা অচুম্বা পাম্বা মীনিনা মশানা খঙনা য়েংদুনা কেন্দ্র অসি শোয়দনা চাওখৎহনগনি অমদি মখোয়গুম্বা কয়াসিগী শাফুনা মণিপুর শোয়দনা চাওখৎহনবা, ৱাৎতা পাদবা, শান্তি লৈবা লৈবাক অমা শোয়দনা ওইহনগদবা মীতানি হায়রবদি লৈকায় লৈকায়না, ক্লবশিংনা, ওর্গেনাইজেসনশিংনা মখোয়গী কেন্দ্র অদুদা লেপ্লিবা কেন্দিদেট অমদা নৎত্রগা মত মান্নদবা মীয়াম লৈনবনিনা অনীখক্তদা ওইরবসু ইনফ্লুয়েন্স পীশিল্লগা টোসতা চাংয়েংনদুনা মরায়বক য়েংহনবা নৎত্রগা অমদা পুরা শৌগৎতুনা হোৎনহন্নীংবগী অপাম্বসিদি ঐতগী মত ওইরল্লোই লাইরিক লাইশু হৈরবা মীথোইবা কয়াদা নত্তনা হায় ওফিসিয়েল কয়াগীসু মত শোয়দনা ওইরিনি।

*অদোমগী - ফুৱাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*